প্রুফ উদবদগী যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা নভালনিগী ৱাথোক্কী মতাংদা রসিয়াবু কন্দেম তৌনিংদ্রি

ৱাশিংটন, সেপ্তেম্বর ০৬ (এজেন্সি) : রসিয়ন ওপোজিসন ফিগর অলেক্সি নভালনি পোইজনিং তৌখি হায়বগী প্রুফ উদ্রি হায়রদুনা যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা রসিয়াবু কন্দেম তৌবগী ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

বি বি সীগী রিপোর্ট মতুং ইন্না প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা রসিয়ন ওপোজিসন পোলিটিসিয়ন নভালনিগী কেস অসু অৱাবগী মশক্লি হায়না ফোঙদোকচরবসু মহাক্না পাউমীশিংদা ৱাফম অদুগা মরী লৈননা রসিয়াদা মীৎয়েং চংদুনা লৈবগী মহুত্তা লৈবাক অসিদগী হেন্না চাওবা থ্রেট অমা ওইরিবা চাইনাদা ওইনা মীৎয়েং চঙননবা তকশিনখি। নাটো অমসুং জর্মনিনদি নভালশিন নোভিচোক নার্ভ এজেন্ট অমা শীজিন্নরগা এটেক তৌখি হায়বসিগী মতাংদা চিংননিংঙাই ওইদবা প্রুফ লৈরে হায়রি। নভালনিগী টিমনা মহাক ক্রেম্লিনগী ওর্দরদা পোইজনিং তৌখিবনি হায়বা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা রসিয়ানদি ৱাফম অসি য়াদ্রি। রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা থাংজ নুমিত্তা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা করিগুম্বা থাঙ্গেশেংনা নোভিচোক টাইপকী নার্ভ এজেন্ট অমা শীজিন্নখিবা থোক্লবদি মদু রসিয়াদগী হৌখিবনি হায়না হেক্তা হায়বা য়াফম থোক্তে হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি।

রসিয়াগী ৱ্লাদিমির পুটিনগী খ্বাইদগী মশক নাইবা পোলিটিকেল ওপোনেন্ট ওইরকখিবা নভালনি এন্টি-করপসন কেম্পেনর অমনি। মহাক সাইবেরিয়াদা চা কপ অমা থক্লুবদগী লেকথরক্তুনা মফম অসিগী হোস্পিটাল অমদা মতম খরা কোমাদা লায়েংলম্বদগী কেপিটেল বর্লিনদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা অমুক পুদুনা ট্রিটমেন্ট চত্থরকখিবনি। ইরাই নুমিত্তা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা ট্রম্পনা হায়খি মদুদি কেস অদুদা পোইজনিং তৌখি হায়বগী ইভিদেন্স মহাক্না উবা ফংদ্রি। ৱাথোক অসিগী মতাংদা মহাক্না রসিয়ন প্রসিদেন্ট পুটিনগী মমিং পনবগী মহুত্তা বৈজিংনা হেন্না মালেমদা অকিবা পোকহল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

থাঙনা থিনবগী থৌদোকশিংদা মীওই ১ শিরে, ৭ শোক্লে

বির্মিংহাম, সেপ্তেম্বর ০৬ (এজেন্সি) : সেন্ট্রেল ইংলন্দগী বির্মিংহাম সিটিদা পরিং নাইনা চত্থখিবা থাঙনা থিনবগী থৌদোকশিংদা নুপা অমা শিখ্রে অমসুং ফিভম লুবা ২ য়াওনা মীওই ৭ না অশোক-অপন নংখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱেষ্ট মিদলেন্দস পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা, ইরাই নুমিৎকী অথেংবদা থোকখিবা থাঙগী এটেকশিং অদুগা মরী লৈননা মী হাৎপগী ইনভেষ্টিগেসন অমা হৌরে। মীওই অমা শিখ্রে। নুপা অমগা নুপী অমগনা ফিভম থিনা শোক্লে। অতৈ মীওই ৫ সু শোক্তুনা লায়কন্নরি হায়না পুলিসনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

বির্মিংহাম সিটিদা চত্থখিবা থাঙগী এটেকশিং অদুগা মরী লৈননা সিটি অসিগী পুলিসনা হৌজিক চিংনবা মীওই অমা ফানবা থিরি। বৃটেনগী ফোরেন সেক্রেটরি দোমিনিক রাবনা ফোঙদোকখিবদা, থাঙগী এটেকশিং অদু টেররিজমগা মরী লৈনৈ হায়বগী পাউ ফংদ্রবসু মীয়াম্না য়াম্না চেকশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। ইরাই নুমিৎকী অহিং নোংয়াই মতুং পুংখায়রোম হেল্লকপদা ৱেষ্ট মিদলেন্দস পুলিসতা বির্মিংহাম সিটি সেন্টরদা থাঙনা থিনবগী থৌদোক্কী মতাংদা পাউ পীরকখি। ঙাইহাক্কী মনুংদা মফম অদুদা মখা তাবা থাঙনা থিনবগী থৌদোকশিং রিপোর্ট তৌরকখি হায়না পুলিসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা সিটি সেন্টর অদুগী তোঙান-তোঙানবা মফম অহুম হায়বদি হর্ষ্ট ষ্ট্রিট, ইর্ভিং ষ্ট্রিট অমসুং ঈদমন্দ ষ্ট্রিটতা পুলিস কোর্দনসশিং লৈহনখি। ঈদমন্দ ষ্ট্রিটকী দ্রেন অমগী নাকলদা পাউমীশিংনা থাঙ মচা তারম্বা উখি।

ৱেষ্ট মিদলেন্দসকী মেয়র এন্দি ষ্ট্রিটনা হায়খি মদুদি সিটি সেন্টরগী হর্ষ্ট ষ্ট্রিট এরিয়াদা পরিং নাইনা থোকখিবা থাঙনা থিনবগী থৌদোকশিং অমগা-অমগা মরী লৈনবা মাল্লি। তৌইগুম্বসুং করি মরমদগী এটেকশিং অদু চত্থখিবনো হায়বগী মতাংদা খঙবা ঙমদ্রি।

উহৌবা মীওই অমনা বি বি সীদা মীওই কয়ানা এটেক্কর অদুগা মুক্নখিবগী থৌদোকশিং উহৌই হায়না তমখি। এজেন্সিগী মতুং ইন্না হর্ষ্ট ষ্ট্রিটকী কোর্দন অদু বির্মিংহাম সিটিগী ময়াই চবুংমক্তদা লৈরিবা গে ভিলেজ হায়না খঙনবা মফম অমগী মনাক্তা উখি। মফম অদু মহৌশাদগী হৌনা মীওই কয়ানা আউটদোর টেবলশিংদা ফমদুনা চাবা-থকপা তৌনবা মফমনি হায়রি। থৌদোক অদুগী হৌরকফমগী মতাংদা ৱাখলন্না শাজিনবগী মতম খরা ঙনমল্লি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

‘টর্কিনা ইষ্ট মেদিটরিনিয়নদা লাকপা য়াবা ফিভম খুদিংমক্কীদমক শেম-শারে’

ইষ্টানবুল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এজেন্সি) : ইষ্ট মেদিটরিনিয়নগী ইশ্যুগা মরী লৈননা টর্কিনা ওইরকপা য়াবা ফিভম অমসুং তুংদা লাকপা অফ-ফত্ত পুন্নমক মায়োক্নবগীদমক শেম-শারে হায়না লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট রসেপ তায়িপ ইর্দোগান্না ফোঙদোকখ্রে।

ইষ্টানবুলদা হোস্পিটাল অমা শঙ্গাবগী থৌরমদা ৱা ঙাঙলদুনা ইর্দোগান্না হায়খি মদুদি ইষ্টর্ন মেদিটরিনয়নদা টর্কিনা ইনর্জি থিনবগী সর্ভে ভেসেল অমা থাজিনখিবদগী ওইরক্লিবা ফিভম মরী লৈননা লৈবাক অসিনা অরাকপা অফ-ফত্ত অমদি ওইরকপা য়াবা ফিভম পুন্নমক মায়োক্ননবা শেম-শারে। টর্কিগী লোনা য়াদবা মেপশিং অমসুং দোকুমেন্টশিং মাঙহনবা ঙম্বগী পোলিটিকেল, ইকনিমক অমসুং মিলিটরি পাৱর লৈজে।

অঙ্কারানা টর্কি য়াওদনা ইষ্ট মেদিটরিনিয়ন লমদমদা লৈবাক কয়ানা চত্থবা দ্রিলিংগী থবকশিং অথিংবা পীদুনা লাকখিবগা লোয়ননা লমদম অদুদা ইনর্জি রিসোর্চশিং থিবগী মতাংদা টর্কি অমসং নাটোদা য়াওবা মীচং লৈবাক ওইরিবা গ্রীসকী মরক্তা মতম শাংন য়েৎনদুনা লাকখি। য়েৎনরিবা ঈশিংগী শরুক অদুদা লৈরিবা উংখৎনবা হন্থনবগী পান্দমগা লোয়ননা নাটোনা হৌদোরকখিবা টর্কিনদি য়াবা ৱাফম অমা গ্রীসনা য়াদ্রে হায়না টর্কিস ফোরেন মিনিষ্টর মেভলুট কাভুসোগ্লুনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখি। গ্রীস অমসুং ইজিপনা মরিটাইম বোর্দর এগ্রীমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনখিবা মতুংদা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী কোভিদ-১৯ ইপিসেন্টরদা অকনবা লোকদাউন শাংদোকখ্রে

মেলবোর্ন, সেপ্তেম্বর ০৬ (এজেন্সি) : ওষ্ট্রেলিয়াগী কোরোনাভাইরস হোট স্পোট ওইরিবা ষ্টেট ভিক্তোরিয়ানা নোংমাইজিং নুমিত্তা কেপিটেল মেলবোর্ন সিটিদা সেপ্তেম্বর ২৮ ফাওবা অকনবা লোকদাউন শাংদোকহনখ্রে। ইনফেক্সনগী চাং হান্না থাজনখিবদগী হেন্না তপ্না হন্থরকপগী মওং লৈবদগী থৌরাং অসি লৌখৎলকখিবনি।

হৌজিক্কী তাঙ্কক অসিদা ঐখোয়না লাইচৎ অসি থেংনবদা কোমথোকপা য়াদে। কোমথোক্লুবা থোক্লবদি ঐখোয়না চেকশিন্না হোৎনরখিবশিংগী মহে য়াম্না থুনা মাঙখিগনি হায়না ষ্টেট অসিগী প্রিমিয়র দেনিএল এন্দ্রুজনা নোংমাইজিং নুমিত্তা টেলিবাইস মিদিয়া কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখি।

মেলবোর্ন সিটিদা কোরোনাভাইরস লাইচৎকী অনীশুবা ইপোম অমা হৌরকখিবগী চেকশিন থৌরাং ওইনা হৌখিবা ওগষ্ট ২দা অকনবা লোকদাউন লাউথোকখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী অনীশুবা খ্বাইদগী মীশিং য়াম্বা ষ্টেট অসি নোভেল কোরোনাভাইরসকী অনীশুবা ইপোমগী ইপিসেন্টর ওইরকখি। লৈবাক অসিগী অপুনবা কেস ২৬,২৮২গী চাদা ৭৫ রোম ষ্টেট অসিদা থেংনরি।

লায়না অসিনা মরম ওইদুনা হৌজিক ফাওবদা ওষ্ট্রেলিয়দা মী শিবগী কেস ৭৫৩গী মনুংদা চাদা ৯০দি ষ্টেট অসিদা থোক্লি। ভিক্তোরিয়াদা নোংমাইজিং নুমিত্তা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ইনফেক্সন ৬৩ অমসুং লায়না অসিনা মী শিবগী কেস ৫ রিপোর্ট তৌখি।

অমরোমদা, ওষ্ট্রেলিয়াগী মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা ষ্টেট ন্যু সাউথ ৱেলসতা ওগষ্টকী অঙনবা শরুক্তগী হৌজিক ফাওবদা নোংমদা কেস ১৩ দগী হেন্না থেংনদ্রি। সেপ্তেম্বর ১৩ দা লোইগদৌরি মেলবোর্ন সিটিগী ষ্টেজ মরিগী অথিংবশিংদা শেল-থুমগী থবক থৌরম অয়াম্বা থিংবগা লোয়ননা মীয়ামগী চৎথোক-চৎশিনসু নোংমদা য়ুমগী অকোয়বদা পুং ১ দগী হেন্না থোকপা থিংখি। অহিংদনা কর্ফিয়ু থমলি। করিগুম্বা সেপ্তেম্বর থা লোইরকপা ফাওবগী মনুংদা ইনফেক্সনগী চাং হন্থরকপা তারবদি অথিংবশিং থেঞ্জায় নাইনা কোমথোক্কনি হায়না প্রিমিয়র এন্দ্রুজনা ফোঙদোকখি।

পুলিসনা প্রোটেষ্টরশিংদা পেপ্পর বোল কাপখ্রে

হোং কোং, সেপ্তেম্বর ০৬ (এজেন্সি) : লেজিসলেটিভ মীখল য়েথোকপা অমসুং চাইনানা অনৌবা নেসনল সিক্যুরিটি লো অমা চৎন্নহনখিবগী মায়োক্তা য়ানিংদবা উৎলদুনা নোংমাইজিং নুমিত্তা লম্বীদা থোক্লক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌখিবা হোং কোংগী মীওই চা কয়াদা পুলিসনা পেপ্পর বোল রাওন্দ কয়া কাপখ্রে।

কোরোনাভাইরস কেস ৱাংখৎলকপনা মরম ওইদুনা এসিয়াগী ফাইনান্সিএল হব অসিগী লেজিসটিভ কাউন্সিলগী সীটশিংগী মীখল সেপ্তেম্বর ৬ তা পাঙথোক্লবা লেপ্পলম্বদগী হৌখিবা জুলাইদা সিটি অসিগী লিদর কেরি লামনা চহী অমা য়েথোকখি। খোঙথাং অদুনা কাউন্সিলদা মমাংদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা মেজোরিটি ফংগনি হায়না থাজখিবা প্রো-দিমোক্রেসি ওপোজিসনদা অচৌবা চৈথেং অমা পীখি। কাউন্সিলগী সীট অপুম্বগী তঞ্জায় অমতং মীখলদা খল্লগা অতৈ তঞ্জায় অদুনা বৈজিং শৌগৎপা মীওইশিংবু খন্দুনা লাক্লি।

মীখল য়েথোক্লমদবা থোক্লবদি ঙসি ঐখোয়না ভোট থাদনরমগদবনি। অসিগুম্বা অরানবা থৌওং অসিবু ঐখোয়না য়ানিংদবা উৎফম থোকই হায়না ৱোং কৌবী মশাগী চহী ৭০ শুরবী দেমোনষ্ট্রেটর অমনা ফোঙদোকখি। মীখল অদু বৈজিংনা জুনগী অথেংবা শরুক্তা অনৌবা সিক্যুরিটি লেজিসলেসন চৎনহনখিবদগী হান্নগী বৃটিশ কোলোনি অসিদা পাঙথোকপা অহানবা ওফিসল ভোট ওইগদৌরিবনি। সিটি গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী মীখল য়েথোকপগা মরী লৈননা পোলিটিকেল এজেন্দা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

ইরান অমসুং রসিয়ানা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন পুথোকমিন্নরগনি

কাইরো, সেপ্তেম্বর ০৬ (এজেন্সি) : থাংজ নুমিত্তা ইরানগী কোভিদ-১৯ কেস ৩৮৪,৬৬৬ য়ৌখিবগা লোয়ননা ইস্লামিক রিপব্লিক অসিদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন পুথোক্লবগীদমক লৈবাক অসিগা রসিয়াগা খুৎশম্নরগনি হায়রি।

চৈরকসিদা, নোংমদা অনৌবা ইনফেক্সন ২,৬৪৪ রিপোর্ট তৌখিবগা লোয়ননা কোরোনাভাইরসকী অরুবা ফিভম অসি তরাইনা লৌরোইদবনি হায়রদুনা ইরাকি হেল্থ ওফিসল অমনা সিটিজনশিংদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না মিদল ইষ্টকী লমদমগী ওইনা লাইচৎ অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লিবা ইরানদা অনৌবা কেস ১,৮৯৪ থেংনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী অপুনবা ইনফেক্সন মশিং ৩৮৪,৬৬ য়ৌখ্রে। পানেদমিক অসিদা হৌজিক ফাওবদা ইরানদা মীওই ২২,১৫৪গী পুন্সি লোমখ্রে। অশিবা মশিং হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা ১০ হেনগৎখি। হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিগী কোরোনাভাইরস পেসেন্ট ৩৩২,১৩১ নাবা ফখ্রে অমসুং পেসেন্ট ৩,৭০৮ অরুবা ফিভমদা লায়েংলি।

কোরোনাভাইরস ভেক্সিন অমা পুথোকপগী মতাংদা ইরান অমসুং রসিয়াগী মরক্তা কোওপরেসন পীনবগী ৱাফম অসি ইরাই নুমিত্তা মোস্কোদা লৈবা ইরানগী এম্বেসেদর কাজেম জলালি অমসুং রসিয়ন দাইরেক্ট ইনভেষ্টমেন্ট ফন্দগী সী ঈ ও কিরিল দমিত্রিভকী মরক্তা চত্থখিবা ওনলাইন মীটিং অমদা লাউথোকখিবনি হায়না ইরানিয়ন সেমি-ওফিসল ফারস ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

জলালিনা লৈবাক অনীগী মরক্তা মখা তানা হেল্থ অমসুং মেদিকেলগী লমদা কোওপরেসন পীনবগী ৱাফম হৌদোকখি। লৈবাক অসিগী যুমথংনরিবা ইরাক্তা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা কোভিদ-১৯গী ৪,৬৪৪ রিপোর্ট তৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী অপুনবা কেস ২৫৬,৭১৯ য়ৌখ্রে।

মেম্মল স্পিসিজ ৫৫৮ কুমজা ২১০০ ফাওবগী কাঙখুল মুৎখিবা য়াই

লন্দন, সেপ্তেম্বর ০৬ (এজেন্সি) : মালেমদা লৈরিবা মখল-মখা কয়াগী স্পিসিজশিং ঙাকপি-শেনবীবগী থবকশিং কনখৎতবা তারবদি কুমজা ২১০০ ফাওবগী মনুংদা মালেমদা মুৎখিগদৌরিবা মেম্মল স্পিসিস মশিং অসি ৫৫৮ য়ৌবা য়াই হায়না রিসার্চরশিংনা প্রিদিক্সন পীখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা মালেমদা মেম্মল স্পিসিজ কয়া কাঞ্জুল মুৎখিবসি মীওইবগী থৌওংশিংনা থোকহনবনি হায়বা য়াই হায়না সাইন্স এদভান্সেস হায়বা জর্নেলদা ফোঙবা ষ্টদি অমনা ফোঙদোকখি।

ইন্টরনেসনল যুনিয়ন ফোর কঞ্জার্ভেসন ওফ নেচর (আই যু সী এন)না হৌজিক লৈরিবা ফিভমদা যুম্ফম ওইরগা কুমজা ২১০০ ফাওবগী মনুংদা মালেম পুম্বগী মেম্মল স্পিসিজ ৫৫৮ কাঞ্জুল মুৎখিবা য়াই হায়না ষ্টদি অদুদা শরুক য়ারিবা রিসার্চরশিংনা ইখি।

চহী খুদিংগী মালেমগী বাইওদাইভর্সিটি মাঙশিল্লক্লি। স্পিসিজ কয়া মুৎলকখিবা খুদিংগী তোমথিন ওইরবা ইভোল্যুসনরিগী ওইবা পুৱারীসু মাঙখি হায়না মখোয়না ষ্টদি অদুদা মখা তানা ইখি। হৌজিক লৈরিবা মেম্মলশিংগী দাইভর্সিটিদা চাওরাক্লা হিংলিবা স্পিসিজ ৫৭০০ লোম শুই।

হৌখিবা চহী ১,২৬,০০০ অসিদা মেম্মল স্পিসিজ ৩৫১ কাঞ্জুল মুৎখ্রে। মখোয়গী মনুংদগী ৮০ দি কুমজা ১৫০০ দগী লাকখিবা পুৱারীগী ওইবা রিপোর্টশিংদগী খঙবা ঙমখি। অতৈ স্পিসিজশিং অদুনা শুপ্নগী ফোসিল নৎত্রগা জুঅর্কিওলোজিকেল রেকোর্দশিংদগী খঙবা ঙমখি। ষ্টদি অদুদা রিসার্চরশিংনা মেথমেটিকেল প্রোসিজরশিং এপ্লাই তৌখি।

পঞ্জাব, চান্দিগরগী কোভিদ মেনেজমেন্টতা সেন্ট্রেল টিমশিংনা মতেং পাংলগনি

ন্যু দিল্লি, সেপ্তেম্বর ০৬ (এজেন্সি) : যুনিয়ন মিনিষ্ট্রি হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র (এম ও ঐচ এফ দব্লিয়ু)না নোংমাইজিং নুমিত্তা হায়খ্রে মদুদি পঞ্জাব অমসুং চান্দিগরবু কোরোনাভাইরস মেনেজমেন্টতা মতেং পাংনবগীদমক মিনিষ্ট্রি অসিনা এক্সপার্টশিং দিপ্লোই তৌখ্রে।

কন্টেনমেন্ট, সর্ভিলেন্স, টেষ্টিং অমসুং কোভিদ-১৯গী পেসেন্টশিংগী ক্লিনিকেল মেনেজমেন্টকী মতাংদা পব্লিক হেল্থকী থৌরাংশিং মায় পাকহন্নবগীদমক্তা অৱাংবা থাক্কী টিমশিংনা ষ্টেট অসিগা লোয়ননা যুনিয়ন টেরিটোরিদা মতেং পালগনি। টিমশিং অসিনা পেসেন্টশিং শিবগী চাং হন্থহনবদা মতেং পাংগনি হায়রি।

মখোয়না মতম চানা দাইগ্নোসিস তৌবা অমসুং মখা তাবা প্রোসেস লৌখৎপগা মরী লৈনবা থবকশিংগী মতাংদসু গাইদ তৌগনি। টিম খুদিংমক্তা পোষ্ট গ্রেজ্যুএট ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল এদ্যুকেসন এন্দ রিসার্চ (পি জি আই এম ঈ আর), চান্দিগরগী কম্যুনিটি মেদিসিন এক্সপার্ট অমা অমসুং নেসনল কোওপরেটিভ দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন (এন সী দি সী)গী ইপিদিমিওলোজিষ্ট অমা য়াওগনি।

টিমশিং অসিনা পঞ্জাব অমসুং চান্দিগরদা নুমিৎ ১০ নি লৈদুনা কোভিদ-১৯ মেনেজ তৌবগী থবক্তা গাইদেন্স পীগনি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

এক্তিভ কেস ১৫,৭৩১ য়াওনা পঞ্জাবতা দিটেক্ট তৌখিবা কোরোনাভাইরস কেস মশিং ৬০,০০০ হেনখ্রে। হৌজিক ফাওবদা ভাইরস অসিনা ষ্টেট অসিদা মীওই ১,৭৩৯ পুন্সি লোমহনখ্রে। ষ্টেট অসিগী ওইনা মীওই মিলিয়ন অমগী মনুংদা পাঙথোক্লিবা টেষ্ট মশিং অসি ইন্দিয়াগী এভরেজ মশিং ৩৪,৫৯৩.১ গা চাংদম্নবদা ৩৭,৫৪৬ ওইরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা ষ্টেট অসিগী ইনফেক্সনগী চাং অসি চাদা ৪.৯৭ ওইদুনা নেসনল এভরেজকী চাংদগী নেম্মি হায়না লৌনৈ।

চান্দিগরদা এক্তিভ কেস ২,০৯৫ য়াওনা হৌজিক ফাওবদা কোরোনাভাইরস কেস ৫,২৬০ হেননা দিটেক্ট তৌখ্রে। যুনিয়ন টেরিটোরি অসিদা মী মিলিয়ন অমগী মনুংদা পাঙথোক্লিবা টেষ্ট মশিং অমসুং ক্যুম্যুলেটিভ পোজিটিভিটিগী চাং মথংশিংনা ৩৮,০৫৪ অমসুং চাদা ১১.৯৯ নি।

চেকশিন-থৌরাংগা লোয়ননা মেট্রো সর্ভিস হৌরগনি

হায়দ্রবাদ, সেপ্তেম্বর ০৬ (এজেন্সি) : থা ৫ হেনবগী মতুংদা হায়দ্রবাদ মেট্রো রেলনা কোভিদ-১৯গী গাইদলাইনশিং অমসুং প্রোতোকোলশিং ঙাক্লগা নিংথৌকাবা নুমিত্তগী তাঙ্কক নাইনা ওপরেসন হৌরগনি। চেকশিন থৌরাশিং অদুগী মনুংদা ভিজিটরশিং/পেসেঞ্জরশিংগী হকচাং টেম্পেরেচর চেক তৌবা, সেনিটাইজেসন অমসুং সোসল দিষ্টেন্সিং য়াওরি। কোভিদ-১৯গী ওইবা লাইওংশিং য়াওবা মীওই অমত্তা মেট্রো ষ্টেসনশিংদা চঙবা নৎত্রগা ট্রেন তোংবা য়াহল্লোই। পেসেঞ্জর খুদিংমক্না তঙাইফদনা ফেস মাস্কশিং উপ্পকদবনি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা মেট্রো সর্ভিসশিং শুপ্নগী মিয়াপুরদগী এল বি নগর কোরিদোর ফাওবগী লম্বীদা হৌখিগনি। ট্রেনশিং অয়ুক পুং ৭ তগী নুমিৎ য়ুংবা পুং ১২ ফাওবা ওপরেট তৌগনি।

ইন্দিয়ানা লানদা মায় পাকপগী চান্স লৈতে : চাইনিজ মাউঠপিছ

ন্যু দিল্লি, সেপ্তেম্বর ০৬ (এজেন্সি) : ইরাই নুমিত্তা চাইনা অমসুং ইন্দিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টরশিংগী মীফম পাঙথোকখিবা অসি পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা খোঙথাং অমনি হায়না পল্লদুনা চাইনিজ মিদিয়ানা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে মদুদি করিগুম্বা বোর্দরদা লান শোক্লরকপা তারবদি ইন্দিয়ানা মায় পাকপগী চান্স লৈরোই।

থাংজ নুমিৎকী এদিটোরিয়ল অমদা রুলিং চাইনিজ কম্যুনিষ্ট পার্টিগা য়াম্না নকশিন্নবা গ্লোবেল টাইমসনা হায়খি মদুদি মিলিটরি পাঙ্গল য়াওনা চাইনাগী লৈবাক্কী ওইবা মতিক ময়াই নৎত্রগা পাঙ্গল অসি ইন্দিয়াদগী য়াম্না হেল্লি হায়বসি ঐখোয়না ইন্দিয়াগী মায়কৈদা নীংশিংগদবনি। চাইনা অমসুং ইন্দিয়া অনীমক অচৌবা পাৱরশিং ওইরবসু কম্বেট কেপেবিলিটিগী কম্পিটিসনগী মতাংদা লাকপদা ইন্দিয়ানা শোয়দনা মায়থিগনি। অদুনা বোর্দরদা লান হৌরকপা মতমদা ইন্দিয়ানা মায় পাকপা য়াবগী চান্স লৈরোই।

এদিটোরিয়ল অদুনা মখা তানা হায়খি মদুদি দিফেন্স মিনিষ্টরশিংগী মীফম অদুনা লৈবাক অনীগী লুচিংবশিংগী মীফমদা য়ানখিবা ৱাফমদা অমুক হল্লক্লবগী লম্বী ওইরগনি হায়না ঐখোয়না থাজে। নাকল অনীমক্না বোর্দরদা উংখৎনবা হন্থহন্নবা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎকদবনি। গ্লোবেল টাইমসনা মোস্কোদা ইরাই নুমিত্তা পাঙথোকখিবা দিফেন্স মিনিষ্টরশিংগী মীফম অদু শৌগৎলি হায়নসু ফোঙদোকখি। অদুমওইনমক এদিটোরিয়ল অদুনা বোর্দরগী মতাংদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী পোলিসিশিংদি নেসনেলিজম অমসুং পব্লিক ওপোনিয়লদা যুম্ফম ওইরগা পুথোকপগী মওং ওই হায়না পনখি।

বোর্দরগী ইশ্যুশিংদা ইন্দিয়াগী মীয়ামগী মোৎশিং চেন্নবগী থৌওং উই হায়না পল্লদুনা গ্লোবেল টাইমসনা হায়খি মদুদি ইন্দিয়ন ট্রুপশিং বোর্দরগী ৱাথোক্কী মতাংদা দোমেষ্টিক নেসনেলিজম্না হোইরগা চৎলি। মরম অদুদা চাইনা অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা লৈরিবা বোর্দরগী য়েৎনবশিং পুন্না কন্ট্রোল তৌমিন্নবগী মথক্তা ইন্দিয়ানা পব্লিক ওপোনিয়ন অমসুং নেসনেলিজমসু মেনেজ তৌগদবনি।

চাইনিজ ষ্টেট কাউন্সিলর অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টর ৱৈ ফেংঘে অমসুং ইন্দিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ইরাই নুমিত্তা মোস্কোদা সাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস সী ও) মীফমগী নাকোয়ননা উনখি। মদু হৌখিবা থা খরগী মমাংদা বোর্দরদা লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনরকখিবদগী পাঙথোকপা অহানবা মিলিটরিগী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী মীটিংনি। লৈবাক অনীগী আর্মিশিং হৌজিক ইষ্টর্ন লদাখগী পাংগোং পাৎকী খা থংবা মপান্দা অমগা-অমগা মুক্নদুনা লৈরিবনি।

লোকদাউন লৌথোক্লগা টেষ্ট হেন্না তৌবদগী কর্নাতাকাদা কোভিদ কেস ৱাংখৎলক্লে

বেঙ্গলুরু, সেপ্তেম্বর ০৬ (এজেন্সি) : হন্দক চয়োল খরা অসিদা শেল-থুমগী থবক থৌরমশিংদা মায় ওনশিনবা হৌখিবগা লোয়ননা টেষ্ট মশিং হেনগৎখিবদগী কর্নাতাকাদা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং ৱাংখৎলক্লে হায়না ষ্টেট অসিগী হেল্থ ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

এজেন্সিদা ৱা ঙাঙলদুনা ব্রুহট বেঙ্গলুরু মহানগর পালিকে (বি বি এম পি)গী কম্মিসনর মঞ্জুনাথ প্রসাদনা জুন-জুলাইদগী লোকদাউন লৌথোকপা হৌখিবদগী বেঙ্গলুরুদা কোভিদ-১৯গী কেসশিং হেনগৎলকখি। ঐখোয়না লোকদাউনগা মরী লৈননা থৌরাং কয়া তৌখিবা লৈরবসু মপানগী টাউনশিং, ষ্টেটশিং অমসুং লৈবাক কয়াদগী লাকখিবা মীওইশিংনা ক্বারন্টিনগী প্রোসিজরশিং ঙাকখিদবদগী পোজিটিভ কেস য়ামখৎলকখিবনি। মসিদা নত্তনা লোকদাউন লৌথোকখ্রবা মতুংদা মীওই কয়ানা ঙল্লিঙৈগী ষ্টেজদা টেষ্ট তৌবা থোক্নরকখিদে। মসিনা মরম ওইদুনা কোভিদকা মরী লৈননা মী শিবগী চাংসু ৱাংখৎলকখি। গভর্নমেন্টনা চল্লাইবা হোস্পিটালশিংদা হৌজিক লৈরিবা চাংগী কোভিদ কেসশিং লায়েংনবগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতিক চানা লৈ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। অমরোমদা, মহাক্না বেঙ্গলুরুগী মীয়াম্না মাস্ক উপ্পগুম্বা চেকশিন থৌরাংশিং থৱায় য়াওনা ইন্দবসি নুংনাংনিংঙাই ওই হায়খি। সিটি অসিগী মীওই কয়া মাস্ক উপ্নরবসু মখোয়না নাতোন য়ৌনা নৎত্রগা চীন মপুং ফানা খুমজিন্না উপ্পগী মওং তৌদে। বি বি এম পিনা মাস্ক শীজিন্নবগী রুলশিং থুগায়বা মীওইশিং য়েংশিন্দুনা লৈদুনসু চাওরবা সিটি অসিগী মীপুম খুদিংমক ওথোরিটিশিংনা য়েংশিনবা ঙমফম থোকক্তে হায়খি।

এক্স এম এল এ ফুৱদা শিরে

লক্ষিম্পুর খেরি, সেপ্তেম্বর ০৬ (এজেন্সি) : উত্তর প্রদেশকী হান্নগী ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ নিভেন্দ্রা কুমার মুন্না নোংমাইজিং নুমিত্তা লক্ষিম্পুরদা লমগী য়েৎনবা অমগা মরী লৈননা ফুৱদা লৈখিদ্রে। য়েৎনরিবা লম অদু বস ষ্টেসনগী মনাক্তা লৈ অমসুং লমদুগী মতাংদা হৌজিক কোর্টতা য়েৎনরিবনি হায়রি।

রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না অতৈ কাঙবু অদু লম অদু নমদুনা লৌশিন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা লাকখি। হান্নগী লেজিসলেটর অদুনা মখোয়গী থৌওং অদুদা অথিংবা পীখিবগা লোয়ননা কুমার গুপ্তা কৌবা মীওই অমনা লুচিংলগা লাক্লিবা মীওই কাঙবু অদুনা মহাকপু ফুখি। মহাক্কী মচানুপা সঞ্জিপ কুমারসু মীওইশিং অদুনা চৈ-লাংনচিংবা শীজিন্নদুনা ফুখি।

হান্নগী লেজিসলেটর অসি ফিভম থীনা শোকপদগী লায়কন্নবগীদমক হোস্পিটালদা পুখৎপদা লম্বীদা শিখিবনি। মহাক্কী মচানুপা অদু অরুবা ফিভমদা হোস্পিটালদা পুখৎখি। ইমুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকখিবদা, খুৎলায় পায়বা মীওই কয়া লাক্তুনা য়েৎনরিবা লম অদুবু নমদুনা খুদম চন্নবা হোৎনখি অমসুং মখোয়না মপা-মচা অনীমক ফুখি।

[illegible]/নূংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি

নূংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান্দা পোম্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোন্থবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্তৎচবা অদুগা খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোম্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা লৈরগদি অমুক্তং লেংথোকপীরক্তুনা তানবীয়ু।

Naorem Ibomcha

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai
Contact Nos. 8014023792/6009147645

HL-B/6333/27/08-26/09

[illegible]/খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু খূৎনা ইনখৎপা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বা য়ারক্তবসু য়াওবা, অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দা তৎপা, অমাংথোঙ মনুংদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্তৎচবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মতম কুইনা নাদুনা খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু মশানা হনগৎলু য়াদবা খূৎনা ইনশিনবা, খূৎনা ইনশিনবদুনা নারকপা, অমাংথোঙদু লুম-লুম লাউরগা লৈবা, অমাংথোঙ লুম-লুম লাউরগা লৈবা অদু য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, শংলগা অদুম লৈনিংবা, পূক য়েক্ল-য়েক্লগা খোঙ হাম্নিংলগতা লৈবা, মরক্তা খোঙ হাম্বা য়ারক্তবসু য়াওবা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাওথোকপা, অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দা তৎপা, অমাংথোঙ মনুংদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্তৎচবা, অমাংথোঙ মনুংদগী তিনকুপ থোক্লকপা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, পূক্তা মতুম অমা কোয়চেন চেল্লগা লৈবা, গ্যাষ্ট্রিক অদু থবাক্তা চেনখৎলগা থবাক নাবা, খনাউদা ইথনতা থনগৎলগা লৈবগুম তৌবা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/7172/7

থাগৎচরিবা : **Th. Umakanta Meitei, Lilong**